**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 08-10-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) চয়োল অমা চত্থরকপা ৭১ শুবা লম্লক্কী শা উচেক কনবগী থৌরম হয়েং লোইশিল্লগনি। লম্লক্কী শা উচেক কন্নবগী থৌরম অসি রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদসু পাঙথোকখি।

২) এন.পি.পিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট কোনরাদ কে. সংমা হয়েং মণিপুরদা লাক্কুনা তোঙান তোঙানবা সি.এস.ওশিংগা উন্নগদৌরি।

৩) কেন্দ্রগী হান্নগী মন্ত্রি ডাঃ রাজকুমার রঞ্জন সিংহনা শিল্লোংদা লৈরিবা ঐতিহাসিক ওইরবা রেড লেন্দ বিল্ডিং অসি ঙাক শেন্দুনা অমসুং শেমগৎনবগী মতাংদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাদা তকশিনখ্রে।

৪) এসিয়া মহাদেশকী খ্বাইদগী চাউবা টেলিকোম, মিদিয়া অমসুং টেকে ালোজিগী মীফম ইন্দিয়া মোবাইল কংগ্রেস ২০২৫ গী ৯ শুবা ইদিসন প্রধান মন্ত্রিদা ঙসি নিউ দিল্লিদা হৌদোকখ্রে।

অমসুং

৫) ৩০ শুবা সেনিয়র ৱিমেন্স নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ফোর রাজমাতা-জিজাভাই ত্রোফিগী গ্রুপ-বিগী ফাইনেল রাউন্দ মেটচ অমদা মণিপুরনা পঞ্জাবপু পাঞ্জল ৪-০ দা মাইথিবা পীখ্রে।

------

ৱিক (এল)ঃ ৭১ শুবা ৱাইল্ড লাইফ ৱিক লোইশিনবগী থৌরম হয়েং পেলেস কম্পাউন্দ ইন্ফালদা লৈবা সিতি কনভেন্সন সেন্তরদা পাঙথোক্লগনি। লম্লক্কী শা-উচেক অমসুং মীওইবগী মরক্তা পুন্না হিংমিন্নবা হায়বা হিরমদা রাজ্যগী ফোরেষ্ট বিভাগনা শিন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসিদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লা অমসুং চীফ সেক্রেটরি ডাঃ পুনিত কুমার গোয়ল শরুক য়াগনি। থৌরম অদুদা ৱাইল্ড লাইফ ত্রষ্ট ওফ ইন্দিয়াগা খুৎশমদুনা পায়খৎপা মণিপুর বিয়ার কঞ্জার্ভেসন প্রোজেক্ট হৌদোক্কনি। মসিগী মথক্তা ফ্লাইট, ফর এন্দ ফেংস হায়বা লাইরিক অমসু ফোংগনি।

সেনাপতি জিলাগী দোনবোস্কো কলেজ মরামদসু থা অসিগী ৬ তগী হৌদুনা ঙসি ফাওবা ৱাইল্ড লাইফ ৱিক ২০২৫ পাঙথোকখি। থৌরম অসিদা অকোইবগী ফিভম ঙাক শেনবগী মতাংদা মীয়াম্বু খঙহনবা অমসুং লম্লক্কী শা-উচেকশিংবু কন্নবগী মতাংদা থৌরম কয়া পাঙথোকখি। বাইও স্পিয়ার ক্লব অমসুং এন.এস.এস য়ুনিতনা দিপার্টমেন্ট ওফ জ়লোজিগী মখাদা পাঙথোকপা থৌরমগী ঙসি লোইশিনবা নুমিৎতা কলেজ কেম্পসকী অকোইবদা উ চারাশিং থাখি।

চয়োল অমা চুপা চথুরকপা লম্লক্কী শা-উচেক কনবগী চয়োল পালন থৌরম দি.এফ.ও চান্দেলনা শিন্দুনা চান্দেলগী লিৱা চনিংদা লৈবা সেন্ট পোল হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা লোইশিনখ্রে। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা দি.এফ.ও চান্দেল ডাঃ এন. মুনাল মীতৈনা হায়- লম্লক্কী শা-উচেক কনবগী চয়োল পালন থৌরম অসি ঙসি লোইশিল্লবসু শা উচেকশিংবু চহি চুপ্পা কন্নবা থৌরাং পায়খৎমিন্নশি। মহাকা হায়- চাওখৎপগী মীংদা জিব কয়াবু মীনুংশি লৈতনা ফাবা অমসুং হাৎপদগী ঙসিদি পৃথিবীগী অপুনবা জিবশিংগী চাদা ৭০ দি মুৎখ্রে।

অসাম রাইফলসনা ফোরেষ্ট বিভাগকী চকপিকারোং রেঞ্জগা পুন্না শিন্দুনা চথুরকপা ৭১ শুবা লম্লক্কী শা-উচেক কনবগী চয়োল পালন ঙসি সাইবোল জোপীদা লোইশিনখ্রে। মহৈরোই অমদি খুঞ্জা ৭০ হেনবনা শরুক য়াখিবা থৌরম অদুদা অখণ্ড অহৈশিংনা লম্লক্কী শা উচেক কনবগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি।

আরএসএস (এল)ঃ রাষ্ট্রিয়া সোয়ম সেবক সঙ্ঘ (আর.এস.এস)কী সাহা সমপ্রগ প্রমুগ ভারত ভুসন্না মণিপুরদা লৈরিবা মহৈরোই অমসুং একাদমিসিয়ানশিংনা স্বাদেশিগী পুন্সি মহিং চৎনদুনা ভারতকী ইতিহাস অমসুং কলচরেল হেরিতেজবু চাউথোকচনবা হোৎনগদবনি।

হন্দ্রেদ ইয়ারস জরনি ওফ আর.এস.এস এন্দ দি রোড মেপ এহেদ হায়বসিদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী কোর্ট হোলদা পাঙথোকপা অখন্নবা লেকচর প্রোগ্রাম অমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী ভারত ভুসন্না হায়- সমাজ অসিনা মহৌশাগী খল অসিবু থৌওইদে। মহৌশানা পীরিবা খুদোংচাবশিং অসিদগী হেন্না হেন্না লৌথোকপগী চৎনবী অমা লৈরি। মীয়ামা অমুক্তং শিজিন্নরগা হুন্দোকপা প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিং শিজিন্নবা তোক্তুনা চহি অমদা অমুক্তং ওইরবসু উ পান্বী অমমম থাবীনবা মহাকা আপীল তৌখি।

এনপিপি ঃ নেসনেল পিপলস পার্তি (এন.পি.পি)গী নেসনেল প্রসিদেন্ট কোনরাদ কে. সংমা হয়েং মণিপুরদা লাক্কদৌরি। মহাকা ইম্ফালদা লৈরিঙৈদা মীতৈ সি.এস.ওশিং, নাগা সি.এস.ওশিং অমসুং আই.দি.পিশিংগা উন্নগনি। তুংদা, মণিপুরগী রাজ্যপালগসু উন্নগনি। শ্রী সংমানা দল অসিগী এম.এল.এশিং, ষ্টেট একজিকুত্যিভ অমসুং দলগী থৌ পুবশিংগসু উন্নগনি। হংচিৎ অয়ুক ইম্ফাল থাদোক্ত্রিঙৈদা পাউমীশিংগা উন্নগনি অদুগা নাগালেন্দ চৎপগী লম্বীদা কাংপোকপীদা সি.এস.ওশিংগসু উন্নগনি হায়না দলগী চেরোল অমনা হায়রি।

কংগ্রেস (এল)ঃ মমাং থাগী তাং ১৫ দগী থা অসিগী ১৫ ফাওবা চত্থগদবা ভোৎ চোর গদি সোর সিগনেচর কেম্পেন ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কংগ্রেস কমিতিনা শিন্দুনা থৌবাল অথোকপমদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট কংগ্রেস ভবনদা পাংথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা সি.এল.পি. লুচিংবা ওক্রম ইবোবীনা হায়- ভারতপু নিংতমবা হোৎনবদা থৱায় থাদোকখ্রবা লৈবাক নিংবা অথৌবশিং

অমসুং ভারতকী ফজরবা গনতন্ত্র অসিবু কন্নবা পান্দমদা কংগ্রেস দলনা সিগনেচর কেম্পেন অসি চগ্খবনি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা হান্নগী মন্ত্রি এম. ওকেন্দ্রো, এম. হেমন্তা, ও. লন্ধোনি অমদি কংগ্রেসকী কর্ম্মি কয়া শরুক য়াখি।

সেমিনার (এল)ঃ  সেৱা ত্রেদিসন ওফ ইন্দিয়া এ নোর্থ ইষ্ট পরপেক্তিভ হায়বসিদা নুমিৎ নিনি চথরকপা অন্তরজাতিগী সেমিনার ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী কোর্ট হোলদা লোইশিনখ্রে।

লোইশিনবগী থৌরমদা অখণ্ড অহৈশিংনা তোঙান তোঙানবা হিরমশিংদা ৱা ঙাংখি। থৌরম অসি ইন্দিয়ান কাউন্সিল ওফ সোসিয়েল সাইন্স রিছার্স নিউ দিল্লিগী তেংবাংগা লোয়ননা শিনবনি।

ৱাশক (এল)ঃ  মণিপুর লোক আয়ুক্তগী নোন-জ্‌দিসিয়েল মেম্বরশিং ৱাশক লৌবগী থৌরম হয়েং রাজ ভবন ইম্ফালগী দরবার হোলদা পাঙথোক্লগনি। থৌরম অদুদা রাজ্যগী চীফ সেক্রেতরিনা নোন-জ্‌দিসিয়েল মেম্বরশিংগী মিং লাউথোকপগা লোয়ননা থবক পায়বগী ৱাশক লৌগনি। থৌরম অদুদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লা শরুক য়াগনি।

রঞ্জন (এল)ঃ  কেন্দ্রগী হান্নগী মপান থৌরম অমসুং শিক্ষাগী রাজ্য মন্ত্রি ডাঃ রাজকুমার রঞ্জন সিংহনা শিল্লোংদা লৈরিবা ঐতিহাসিক ওইরবা রেড লেন্দ বিল্ডিং অসি ঙাক শেন্দুনা অমসুং শেমগৎনবগী মতাংদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাদা তকশিনখ্রে।

রাজ্যপালদা ইবা চেরোল অমদা ডাঃ রঞ্জন্না হায়- ইং ১৯৪৯ গী সেপ্তেম্বর ২১ দা মতমদুগী মণিপুরগী মহারাজ বোধাচন্দ্র সিংহনা মণিপুর মার্জর এগ্রিমেন্ট সহি তৌখিবা শিল্লোংদা লৈরিবা রেড লেন্দ বিল্ডিং অসি য়োকখৎতুনা থম্বীয়ু। হায়রিবা মফম অসি ভারত্তা পুনখিবা অমসুং মণিপুরগী ইতিহাসকা শাগোন্নরিবা য়ামা শিংথানিঙাই ওইরবা মফম অমনি। বিল্ডিং অসিগী ঐতিহাসিক অমসুং

অর্কাইবেল ওইবা মওং অসি য়েংলগা বিল্ডিং অসি থুগাইগনি হায়রিবা ৱাফম অসিদা রাজ্যপালগী মীৎয়েং চংবা তঙাইফদে। ইতিহাসকা শাগোন্নরিবা মফম অসি থুগাইনবা হোৎনরিবা অসিদা মেঘালয় অমসুং মণিপুরগী চীফ সেক্রেতরিশিং অমসুং রাজ্যগী আর্ট এন্দ কলচর বিভাগকা তান্নদুনা খুদক্তা লেপ বা হোৎনবীয়ু।

বিষ্ণুপুর (এল)ঃ লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা অঙাংশিংগীদমক নোংমগী ওইবা মেন্টেল হেলথ অমসুং সাইকোসোসিয়েল সপ্পোর্ট ক্লিনিক অমা বিষ্ণুপুর জিলাগী ওন্বা চীংদা পাঙথোকখ্রে। মণিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসনা রিমসকী সাকিয়াত্রি অমসুং ক্লিনিকেল সাইকোলোজি বিভাগ, সোসিয়েল ৱেলফ্যার বিভাগ অমসুং নিউ লাইফ ফাউন্দেসন মণিপুরনা পুন্না শিনবা থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার পুজা এলাংবমনা হায়-অসিগুম্বা থৌরমশিং অতৈ জিলাশিংদা লৈরিবা রিলিফ কেম্পশিংদসু পাঙথোকপগী তঙাইফদবা লৈ। অসিগুম্বা ক্লিনিক অসিনা অঙাংশিংগী ত্‌ংগী পুন্সিদা অশোই অঙাম থোক্তনবা হোৎবদা চাউনা মতেং ওইগনি। অঙাংশিংবু নিংথিনা য়োকপগা লোয়ননা মতিক চাবা মহৈ মশিং ফংহনবগী তঙাইফদবসু দিপ্যুতি কম্মিসন্নারনা পনখি।

থৌরম অদুদা অঙাংশিংদা শান্ন-খোৎনবগী মচাক মথুমশিং, ষ্টেসনরি পোৎলমশিং অমসুং বাস্কেটশিং খুৎশিন্নখি।

বিষ্ণুপুর-২ (এল)ঃ বিষ্ণুপুর জিলাদা লৈরিবা রিলিফ কেম্পশিং য়েংশিন্নবগী মতাংদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার পুজা এলাংবমনা সভাপতি ওইদুনা মিনি সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্সতা মীফম পাঙথোকখ্রে। রিলিফ কেম্পশিংগী নোদেল ওফিসারশিংগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা রিলিফ কেম্পশিংবু নিংথিনা য়েংশিন্নবগী মতাংদসু ৱাফম কয়া খন্নখি হায়রি। মীফম অদুদা দিপ্যুতি কম্মিসনারনা আই.দি.পিশিংগী চপ চাবা বেঙ্ক এক্কাউন্ট থম্বগী

তঙাইফদবা পনখি। আই.দি.পিশিংনা মিসন বটসালায়া, সি.এম.ঐচ.টি অমসুং পি.এম.জি.এ.ৱাইগী খুদোংচাবশিং লৌননবা খঙহনখি।

সিসিপুর (এল)ঃ  কেন্দ্রগী মপান থৌরম মন্ত্রালয়গী ফ্লেগসিপ প্রোগ্রাম অমা ওইরিবা আদি কর্ম্ম যোগি অভিয়ানগী মখাদা চুরাচান্দপুর জিলাগী সিংহাৎ সব-দিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা তোনজাংদা পাঙথোকপা গ্রাম সভানা খুল অসিগী ভিলেজ এক্সন প্লান অয়াবা পীখ্রে।

ভিলেজ ওথোরিতিগী ভাইস চেয়ারমেন শ্রী কমমিনথাংনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফমনা ভিলেজ এক্সন প্লান অদু পুথোকখিবনি। সিহাৎ ব্লোক্কী মনুং চনবা খুল মরিগী মনুংদা তোঞ্জাং খুল অসিসু আদি কর্ম্ম যোগি অভিয়ানগী মখাদা পাইলোত সাইট অমা ওইনা খনখিবনি।

সনামহি (এল)ঃ  সনামহি লাইনিং লুপ ৱাংজি ৱাংখৈ থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট লিংখৎখিবগী ৭ লক শুবা কুমওন থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী এসোসিয়েট প্রোফেসার ডাঃ এন. সনাতোম্বা মৈতৈনা সনামহি লাইনিংগী মতাংদা ৱা ঙাংখি। থৌরম অদুদা থৌবাল জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা মৈতৈ লাইনিং চৎপা কয়ানা শরুক য়াখি।

নোনে (এল)ঃ  ঐচ.আই.ভি অমসুং এস.টি.আইগী মতাংদা ইন্তেসিফাইদ ইনফোর্মেসন ইদুকেসন এন্দ কম্যুনিকেসন কেম্পেন ঙসি নোনে জিলাগী লোংমাই পার্ট ফোর পিছ লেন্দদা পাঙথোকখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট ইন্তিগ্রেতেদ ষ্ট্রেটৈজি ফোর ঐচ.আই.ভি-এইদস (দিসা) ক্লষ্টর তমেংলোং অমসুং নোনেনা লিঙ্ক ৱার্কর স্কিম তমেংলোংগা পুন্না শিনবা থৌরম অদুদা ভিলেজ ওথোরিতিগী লুচিংবশিং, নুপী অমসুং নহা কয়ামরুম শরুক য়াখি।

ককচিং (এল)ঃ  আইন্না য়াদবা মওংদা অঙাং য়োকপা অমসুং অঙাং লল্লোনবগী মতাংদা অঙ্গনৱাদি ৱার্করশিং অমসুং আশা ৱার্করশিংগী ওইবা নোংমগী

সেন্সিতাইজেসন প্রোগ্রাম ঙসি ককচিং মোইরাংথেম লৈকাইদা লৈবা মুক্তা সুজ ইন্দষ্ট্রিগী হোলদা পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচিংগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিত ককচিং অমসুং সোসিয়েল ৱেলফ্যার বিভাগনা পুন্না শিনবা থৌরম অদুদা অখঙ অহৈশিংনা আইন্না য়াদবা মওংদা অঙাং য়োকপা অমসুং অঙাং লল্লোনবগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি।

মোদি ঃ এসিয়া মহাদেশকী খ্বাইদগী চাউবা টেলিকোম, মিদিয়া অমসুং টেকে ালোজিগী মীফম ইন্দিয়া মোবাইল কংগ্রেস ২০২৫ গী ৯ শুবা ইদিসন প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি নিউ দিল্লিগী য়াসোভুমিদা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- ভারতনা টেলিকোমগী লমদা মায় পাক্লিবা অসিনা আত্মা নিরভর ভারত ওইবগী মঙলান অদু উৎথোকপা ঙমলে।

মহাকা হায়- লৈবাক অসিদা মতম অমদা টু-জি পায়রগা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরম্বা অদু ঙসিদি লৈবাক অসিগী জিলা অয়াম্বা ফাইভ-জি কোভরেজ তৌরে। প্রধান মন্ত্রিনা হায়- লৈবাক অসিদা ঙসিদি দিজিতেল কন্নেক্তিভিতি অসি খুদোংচাবা অমা নত্রগা অকে অমৌগী পোৎলম অমা ওইদ্রে। ভারত মচা খুদিংমক্কী পুন্সিগী তঙাইফদবা শরুক অমা ওইরে। মহাকা হায়- ইন্দিয়া মোবাইল কংগ্রেস অসি মোবাইল অমসুং টেলিকোম খক্তগী নত্তে। চহি খরগী মনুংদা এসিয়াগী খ্বাইদগী চাউবা দিজিতেল টেকোলোজিগী ফোরম অমা ওইরক্লে।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়- ভারত অসি হৌজিক্তি মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা অনিসুবা টেলিকোম মার্কেট অমসুং অনিসুবা ফাইভ-জি মার্কেট ওইরে।

নুমিৎ মরিনি চথুগদবা মোবাইল কংগ্রেস অদুদা খ্বাইদগী নৌবা মতমগা চুনরবা টেলিকোমগী টেকোলোজিশিং উৎলি। কংগ্রেস অসিদা মালেমগী লুচিংবশিং, পোলিসি মেক্করশিং, ইন্দিষ্ট্রিগী এক্সাপার্ট অমদি ইনোভেটরশিং শরুক য়ারি। কংগ্রেস অসিদা লৈবাক ১৫০ গী ভিজিতর লাখ ১ লিশিং ৫০ অমসুং কম্পনি ৪০০ হোন্না শরুক য়ারি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোলঃ ছতিসগরগী নরায়নপুরদা লৈবা আর.কে.এম আশ্রম গ্রাউন্দদা চৎখরিবা ৩০ শুবা সেনিয়র ৱিমেন্স নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ফোর রাজমাতা-জিজাভাই ত্রোফিগী গ্রুপ-বিগী ফাইনেল রাউন্দ মেটচ অমদা মণিপুরনা পঞ্জাবপু পাঞ্জল ৪-০ দা মাইথিবা পীখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুদা লিন্দা কোমনা ১৭ অমসুং ৩৮ শুবা মিনিত্তা গোল অনি, লাইশ্রম বিবিচানা মিনিত ৪০ চৎপদা অমসুং দাংমৈ গ্রেসনা মিনিত ৬০ চৎপদা পাঞ্জল অমমম চনখি। মণিপুরগী মথংগী মেটচ লাক্লিবা ইরাই নুমিৎতা উত্তর প্রদেশকা নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদা শান্নরগনি। ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা উত্তর প্রদেশনা অসামবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

ফাইনেল রাউন্দ অসিগী গ্রুপ-বিদা মণিপুরনা মেটচ অহুমদগী পোইন্ট ৯ ফংদুনা খ্বাইগী মকোক্তা, উট্টর প্রদেশনা মেটচ অহুমদগী পোইন্ট ৯, , অসামনা মেটচ মরিদগী পোইন্ট ৬, পঞ্জাব অমসুং হরিয়ানাদি মেটচ অহুম অহুম শান্নবদা পোবদগী পোইন্ট অমত্তা ফংদ্রি।

ফূটবোলঃ ৱিমেন ব্লাইন্দ ফুটবোল ৱার্ল্ড চেম্পিয়নসিপতা ভারতকী নুপী টিমনা পোলেন্দগী নুপী টিমবু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থিবা পীবদা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

ফূটবোলঃ ককচিং দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসননা শিনদুনা পাঙথোক্লিবা ২২ শুবা লৈহাও দেবী মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ৱাই.দব্লিউ.য়ু ককচিংনা সাউ ককচিংবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

ফূটবোলঃ ককচিং দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসননা শিনদুনা পাঙথোক্লিবা ২১ সুবা কে.কে. মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৫ গী ঙসি

শান্নখিবা মেটচতা আইফা ইরেংবন অমসুং টি.য়ু.সি থোংজাউ পাঞ্জল ২-২ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

ফ্টবোলঃ ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা চথুরিবা অহুমশুবা প্রিমিয়র লিগ ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা য়ুনাইতেদ চান্দেল এফ.সিনা এথলেতিক ব্রদরস এসোসিয়েসনবু পাঞ্জল ৪-৩ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা, শগোলবন্দ য়ুনাইতেদনা ওল মোইরাং ফুটবোল এসোসিয়েসনবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

------